# ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

## এক্স পোলো ক্লব, ইএসসি অমদি থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী টিম ৩১না শরুক য়াদুনা ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লব, ইএসসি অমদি থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এক্স পোলো ক্লবনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু পাঞ্জল ১১–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা টিঐচ জেকোব অমদি এল অতাংবনা পাঞ্জল ২।২ চনখি। অনীশুবা চক্করদা এল অতাংবনা পাঞ্জল ২, টিঐচ জেকোবনা ১, অহুমশুবা চক্করদা এল তোলোমখোম্বা অমদি টিঐচ জেকোবনা অমমম, মরিশুবা চক্করদা কে জোগেন্দ্রো অমসুং ঐচ কান্ত শর্ম্মনা অমমম চনখি।

অসাম রাইফল পোলো টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু – অহানবা চক্করদা কেঐচ চন্দ্রকুমারনা চনবা ঙমখিবনি।

১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ইএসসি নোংমৈবুংনা খুমন পোলো ক্লবময়াং ইম্ফালবু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ইএসসিগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা এ কেমেরোল অমদি এল বব্লুনা অমমম চনখি। মরিশুবা চক্করদা এস ব্রোন্সন অমদি এ কোনোননা পাঞ্জল ২।২ অমদি ৱাই সুরজনা অমা চনখিবনি।

খুমন পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা অহানবা চক্করদা এল রোসননা ১ অমদি মরিশুবা চক্করদা কেএসঐচ নাওবীনা ১ চনখিবনি।

১৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবনা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবপু ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহুমশুবা চক্করদা এসঐচ রোলিলনা ১, মরিশুবা চক্করদা পি প্রেমজিৎ অমদি এসঐচ রোলিলনা অমমম চনখিবনি।

নম্বুল মপাল পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মরিশুবা চক্করদা কে রোমিওনা চনখিবনি।

# ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮

## ৱাইদিও সোরা অমদি এসদব্লিউসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ ৱাইদিও সোরা অমদি ৱাইপিও সোরা টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাইদিও সোরানা ৱাইপিও সোরাবু গোল ৭–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাইদিও সোরাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ রেয়াস খাননা মেটচকী ৯, ১৮, ৩৬ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা গোল মরি, জর্সি নম্বর ১০ সহিদুরনা মেটচকী ২১শুবা মিনটতা গোল অমা, জর্সি নম্বর ২ শরুক খাননা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা গোল অমা, জর্সি নম্বর ৭ রিয়াস খাননা মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা ৱাইপিও সোরাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ অঞ্জিরনা মেটচকী ৩০ প্লস ২ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ এসদব্লিউসি অমদি য়ুবিএসএ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচদা এসদব্লিউসি না য়ুবিএসএ বু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এসদব্লিউসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ থোইবানা মেটচকী ৪শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৩ এন সোমোকান্তনা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৯ এম সোমোরজিৎনা মেটচকী ৪৮ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর বিশ্বনাথনা মেটচকী ৫৪ অমদি ৫৭শুবা মিনটতা গোল ২ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা য়ুবিএসএগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ লিননৈফুননা মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ২৩ চুংনৈহেননা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

# ৬৩শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসন (এমবিএ) না শীন্দুনা ঙসিদগী নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোই পুন্না ১৮১ না শরুক য়াদুনা ৬৩শুবা ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ (মিনি এন্দ সব–জুনিয়র) দিএম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমবিএ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপামচা সিঙ্গলসকী চহি ১৫ মখাগীদা জোমি সিঙ্গম, এম ব্রজমানি, য়ুম্নাম সুরদিস কুমার, আর কে হেমচন্দ, সিঐচ রিতিস, এম বাংনৈথাং, পিঐচ অর্জু, কে ঙানবা, আর কে রিংসন, মেটিক রোহি, এম অগালিম, সিঐচ চরচিল, মেটিক রোহি, এল মঙাল, ঐচ রোহেনকুমার, এম সিজিক না মশা মশাগী লম্বীশিংবু মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী চহি ১৩ মখাগী সিঙ্গলদা কে এসঐচ তুলজিৎ, আর কে এলেন, এল ব্রিক্সন, এন অবিনাস, মেটিক রোহি, টিঐচ দেবরবাটা, এন গুনাচন্দ্র, এলেক্স ঙাঙোম, এম ব্রজামানি, এল মঙাল, ঐচ মালেমঙাম্বা, দব্লিউ জুবারাজ, এ কাম্পোপ, কেঐচ নিরুবাটা, কেঐচ অমরজিৎ, কালো ট্রুমেন, আর কে রোংনালনা মশাগী মশাগী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী চহি ১৭ মখাগী সিঙ্গলতা–কে ঙানবা, সিঐচ সুসিল, কেঐচ রোহিট, এম রিসি, আর কে উপানন্দ, টি বোন্সননা মশা মশাগী লম্বা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

# ফার্ষ্ট নবা মেমোরিয়েল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিৱাইদব্লিউসি থম্না পোকপীনা শীন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লুনা ঙরাংদগী চথরকখিবা ফার্ষ্ট নবা মেমোমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এসয়ুদব্লিউসি, টিৱাইদব্লিউসি, আইজিও অমদি ৱাইএমদিও মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা এসয়ুদব্লিউসিনা য়ুৱাইদিসু সেট ৩–২ (২৫–১৫, ১৫–২৫, ২৫–২০, ২২–২৫, ১৫–১২) তা মায়থিবা পীখ্রে।

৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা টিৱাইদব্লিউসিনা এনৱাইভিএবু সেট ৩–০ (২৫–১৮, ২৫–২০, ২৫–২১) দা মায়থিবা পীখ্রে।

৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা আইজিওনা সাইনিং ষ্টারবু সেট ৩–০ (২৫–২৩, ২৫–২৩, ২৫–১০) দা মায়থিবা পীখ্রে।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা গ্রাউন্দা ৱাইএমদিওনা ৱাইপিএবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# ৬শুবা দব্লিউৱাইএলসিও ৱাটর পোলো চেম্পিয়িন্সপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

ৱেলফিয়র ওফ দি য়ুঠ লিভরেল এন্দ কন্দক ওর্গনাইজেসন (দব্লিউৱাইএলসিও) না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা কোংবা বজারদা লৈবা শ্যাম পুখ্রি শ্বিমিং পুলদা টিম মরিনা শরুক য়াদুনা ৬শুবা দব্লিউৱাইএলসিও কপ ৱাটর পোলো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কেৱাইও, দব্লিউৱাইএলসিও অমদি সিঐচসি মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কেৱাইওনা কেদব্লিউপিসিবু গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

কেৱাইওগী গোলশিং অদু এম প্রিয়া চন্দ্র অমদি অজয়না গোল ৩।৩, এন সিবানন্দ অমদি এম তোম্বনা গোল অমমম চনখি।

কেদব্লিউসিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এল চিঙ্খেঙাম্বনা চনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দব্লিউৱাইএলসিওনা কেদব্লিউপিসিবু গোল ১১–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

দব্লিউৱাইএলসিওগী গোলশিং অদু টিঐচ গুলসননা গোল ৪, এনজি রোবিননা গোল ৩, সাগরনা গোল ২ অমদি বালেশ্বর অমসুং রোবিন্সননা গোল অমমম চনখিবনি।

কেদব্লিউপিসিগী পাঞ্জল অহুম অদু এন জেসন, এম খৃষ্টিফর অমদি এ বিজেন্দরনা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা সিএসসিনা কেৱাইওবু গোল ১৫–৫ তা মায়থিবা পীখি।

সিএসসিগী গোলশিং অদু টিঐচ চিঙ্খেঙাম্বনা গোল ৬, এ নোংথাংনা গোল ৪, এল এলেক্সনা গোল ৩ অমদি ঐচ আলিকান্ত অমদি এল হিলরনা গোল অমমম চনখি।

কেৱাইওগী গোলশিং অদু এম প্রিয়া চন্দ্রনা গোল ৪ অদুগা এম থৌবানা গোল ১ চনখিবনি।

মরিশুবা মেটচতা সিএসসিনা কেদব্লিউপিসিবু গোল ৮–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সিএসসিগী গোলশিং অদু এ নোংথাং অমদি এল হিললনা গোল ৩ /৩, এল অমরজিৎ অমদি এল এলেক্সনা গোল অমমম চনখি।

কেদব্লিউপিসিগী গোলশিং অদুনা এল বালেমজিৎনা গোল ২, কেঐচ ঙাম্বা অমসুং এন জেসননা গোল অমমম চনখি।

# অহিনা নোক আউত ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

আরএসওএম অমদি ১৪৩ বাট্টালিয়েন সিআরপিএফ না পুন্না খুৎশম্নদুনা আইজি এম এন্দ এন সেক্টর (সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম) গী মখাদা পাঙথোকপা ফার্ষ্ট অহিনা নোক আউত ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২২ (১৮ বোইজ এন্দ ৪ গার্লস) না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেল মেটচতা লোংমাই বজার য়ুঠ ক্লবনা হোষ্ট টিম ওইরিবা সংগ্রুংবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নুপীগীদনা খোংশাঙ ব্রুমেন্স ক্লবনা রোংদাই জুনিয়র ফুটবোল ক্লবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা নুপা অমদি নুপীশিংগী টিমদা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমদি রন্নর্স অপতা লুপা লিশিং ৫ পীখি।

7% TO 10% DISCOUNT
SANGAI TANK ™
শঙাই
10 YEARS GUARANTEE
SL/4119/23-9nov
প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
An ISO 9001:2015 Certified Company
Valid from 20th Oct. to 20th Nov. 2018

লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকচবা, ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা 'শঙাই' হায়না খঙনবা প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ তেঙ্কপু অতৈ মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎশিংগা চাংদম্নরবা মতুংদা ইশাগী ইরমদমগী পোত্থোক অসিবু শিজিন্নবিবগীদমক থাগৎচরি।



লোয়ননা ইরমদম অসিগী য়ুমথোঙ–য়ুমথোঙ খুদিংদা 'শঙাই' টেঙ্কপু শিজিন্নবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী চাওরবা কুম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা 'শঙাই' টেঙ্ক চাদা ৭ অমসুং ১০ তানা য়োঞ্জগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি তাং ২০–১০–২০১৮ দগী হৌরগা তাং ২০–১১–২০১৮ ফাওবা চত্থজগনি।

ফংবীগদবা সাইজ ঃ
লিটর ২০০, ৩০০, ৫০০, ৭৫০, ১০০০, ১৫০০ অমসুং ২০০০ নি।
খুদোংচাবা অসি হেদ ওফিস খক্তদনি।

মীয়ামগী সেবাদা– লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজ শঙাই প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
৮৪ / সোপ কম রেসিং কমপ্লেক্স (সুপরমার্কেট), লম্ফেলপাৎ

# ৫৯শুবা সুব্রোতো কপকী চেম্পিয়ন মণিপুরনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

সুব্রোতো সোসাইটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী ন্যু দিল্লিদা টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্লুনা চত্থরকখিবা ৫৯শুবা সুব্রোতো মুখর্জি কপ ২০১৮ সব–জুনিয়র বোইজ (য়ু–১৪) গী চেম্পিয়ন মণিপুরনা ওইখ্রে।




ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা য়ুনিক মোদেল একাদেমীনা ওদিশাগী এনসিসিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরবা মণিপুরগী গোলশিং অদু অঙনবা মতমগী মিনট ২ চৎপা মতমদা অনারোইনা অহানবা গোল অমদি মিনট ৩ চৎপা মতমদা এস তোম্প্পরনা অনীশুবা চনদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

## সিএম না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৫৯শুবা সুব্রোতো মুখর্জি কপ অন্দর –১৪ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা মোডেল একাদেমী হৈঙাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরকপদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা য়ুনিট মোডেল একাদেমী হৈঙাংনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরকপা অসিনা মণিপুর অসি "স্পোর্টস কেপিটেল ওফ ইন্দিয়া" নি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে অমদি য়ুনিট মোডেল একাদেমী অসিনা মখা তানা ষ্টেট অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ৭শুবা ষ্টেট ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## টিআরৱাইভিসি (বি), দব্লিউভিএসএ, এমকেএস, এনৱাইভিএ অমদি টিআরৱাইভিসি (এ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এনৱাইভিএ নাওরেমনা শীন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্লুনা ঙরাংদগী চত্থরকখিবা ৭শুবা ষ্টেট ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টিআরৱাইভিসি (বি), দব্লিউভিএসএ, এমকেএস, এনৱাইভিএ অমদি টিআরৱাইভিসি (এ) মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা টিআরৱাইভিসি (বি) না এমপিএসসিবু সেট ৩–১ (২৫–১৮, ২২–২৫, ২৫–১৮, ২৫–১৬) দা মায়থিবা পীখ্রে।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দ দব্লিউভিএএস(এ) না এলৱাইভিএবু সেট ৩–০ (২৫–২৩, ২৫–১০, ২৫–১৫) দা য়াম্না লাকচবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা গ্রাউন্দা এমকেএসনা ৱাইএমদিবু সেট ৩–০ (২৫–১০, ২৫–৬, ২৫–২) দা মায়থিবা পীখ্রে।

৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দা এনভিৱাইএনা টিআরৱাইভিসি (বি)বু সেট ৩–১ (২৫–২২, ২৫–১৬, ২২–২৫, ২৫–১৫) দা য়াম্না লাকচবা মওংদা মায়থিবা পীখ্রে।

১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা গ্রাউন্দা টিআরৱাইভিসি(এ) না ৱাইএমদিওবু সেট ৩–০ (২৫–৬, ২৫–২, ২৫–১১) দা মায়থিবা পীখ্রে।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com